# ত্রম্প, কিম জোং উন উনগদৌরিবা অদু নোর্থ কোরিয়াগীদি চেল্লেঞ্জ অমা ওইগদৌরি



নৈপিতাও, মে ১২ (এজেন্সী): য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা উননবগীদমক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন শিঙ্গাপোরদা চৎখ্রে।

য়ু এসকী প্রসিদেন্টকা উনগদৌরিবা অদু নোর্থ কোরিয়াগী ওইনদি অচৌবা শীংনবা অমা ওইগদৌরি। সোভিয়েট মতমগী এয়রক্রাফট অমনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অদু পুদুনা শিঙ্গাপোরদা চৎখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়া অমসু সপোর্ট ষ্টাফ কয়াসু লোয়নখি হায়রি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অনীনা উনগদবা মফম অদু শিঙ্গাপোর ওইনা খনখি। পিয়োংয়াংদগী শিঙ্গাপোর তম্না চৎপা হায়বদু রিজনেবল ওইবা মওং অমদা লৈবা অমসুং য়ু এসকী মায়কৈদগীসু মফম অদুদা উনবা পান্থগী অপান্বা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অনীনা লমদম অদুদা উননবা ৱাফম অমসুং মতম লেপখিবনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরল্লি।

কুমজা ২০১১ গী মতুংদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অদুনা সমুদ্র লান্না অতোপ্পা লৈবাক অমদা চৎপা হন্দক্কী অসিনা অনীশুবা থৌদোক ওইরি। মমাংদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমনা চিনাদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা উনখিবা লৈখি। নোর্থ কোরিয়াগী আইলুশিং-৬২ এম জেট অদু কার্গো প্লেন অমনা মতুং ইন্নদুনা শীংথানিংঙাই ওইবা খোঙচৎ অমা ওইনা শিঙ্গাপোরদা চৎখি। পিয়োংয়াংগী সুনান এয়রপোর্টতগী কিলোমিটর ৪,৭০০ লাপ্না লৈবা শিঙ্গাপোর এয়রপোর্ট তম্না নোর্থ কোরিয়াগী জেট অমনা লুচিংবা অদু পুদুনা চৎখি। ইঞ্জিন মরি পানবা ফাইটর জেট অদু সোভিয়েট মতমগী অপীকপা প্লেন মখল অমনি।

কুমজা ১৯৭০ দা পুথোকখিবা এয়রক্রাফট অদুনা পাইবা য়াবা খ্বায়দগী শাংবা অদু কিলোমিটর ১০,০০০ রোমদমক ওইরি। আই য়ু সিন-৭৬ কার্গো প্লেন অদুদি কিলোমিটর লিশিং অহুমলোমতমক থাউ অমুক হন্না হান্দনা পাইবা ঙম্মী।

# নিকারাগুৱাদা মীওই লিশিং ১০ হেনবনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

মনাগুৱা, মে ১২ (এজেন্সী): নিকারাগুৱাগী কোনুং মনাগুৱাদা মীওই লিশিং তরা হেনবনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

মশীং য়াম্লবা মীয়াম অদুনা শংবান্নবা অমসুং অঙৌবা মচুগী ফিজোল অমদি ফিরাল পায়দুনা মমাং থাদা খোঙজং চঙশিনবা মীওই অমা লৈঙাক্না হাৎখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎতুনা অকনবা খোঙজং অদু চঙশিল্লকখিবনি। সহর অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু মীওই কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লকপা উখি। মমাং থাদা প্রসিদেন্ট দানিয়েল ওর্টেগানা পেন্সন অমসুং সোসল সিক্যুরিটি হন্থহনখিবা মতুং য়ানিংদবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখি।

শান্দিনিষ্টা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (এস এন লি এফ) কী মীওই কয়ানা মনাগুৱাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৮ গী মে ৯ দা মীয়ামগী খোঙজং লাকপদা লৈঙাক্না মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা লৈখি।

পাউ অসিগী মতুংইন্নদি, মে ৯ গী খোঙজং অদুদা নুপী অনী নোংমৈনা পান্দুনা শিখি হায়রি। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না মখা তানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। দেপ্যুটি পুলিস দিরেক্তর ফ্রান্সিসকো দিয়াজনা ফোঙদোরকখিবদা, মীওই কাঙলুপ খরনা লন-থুম কয়া মাঙহন-তাকহনবগী থবক চথুরকপদা পুলিসনা খোঙজং অদু লাকশিন্নবগীদমক নোংমৈ কাপখি।

মীয়ামগী খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা সহর অদুগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোকখি হায়রি। মমাং থাদা চপ মান্নবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মহৈরোয় অমসুং নিকাগুৱাগী মীওই কয়া জেলদা থাজিনখিবা লৈখি।

কুমজা ২০০৭ তগী হৌনা ওর্টেগাগী ওথোরিটিনা লৈঙাক পায়রকপদগী অচৌবা শীংনবা অমা মায়োক্নদুনা লাকখি। নিকাগুৱাগী প্রসিদেন্ট ওর্টেগো লৈঙাক্কী মায়োক্তা মে ৯ দা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুদা মীয়াম্না য়ুমদা শাবা মোর্টার কয়া কাপ্তুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মদুনা মরম ওইরগা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্নবগী মরম ওইহনখি হায়রি।

নৌনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না ওর্টেগাবু মীহাৎপনি হায়না লাউবগা লোয়ননা য়ানিংদবা উৎখি। মীয়ামগী অকনবা খোঙজং লাকখ্রবা মতুং প্রসিদেন্ট ওর্টেগানা মহাক্না পায়খৎখিবা পেন্সন অমসুং সোসল সিক্যুরিটি হন্থহনবগী থৌশিল অদু হন্দোকখি। অদুম ওইনমক মীয়ামগী খোঙজংদি লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকখি। হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজিংশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্নদি খোঙজং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ রোম শিখ্রে হায়রি।

# মলেসিয়াগী হান্নগী পি এম নজিব রজাক লৈবাক অদুদগী চৎথোকপা য়াহনখিদ্রে



কোলা লাম্পোর, মে ১২(এজেন্সী)ঃ মলেসিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নজিব রজাক অমসুং মহাক্কী নুপী রোসমা মানসোরবু লৈবাক অদুদগী অতোপ্পা ম ফমদা চৎপদগী অথিংবা থমখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী ইমিগ্রেসন ওফিসিএলশিংনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি নজিব রজাক অমসুং মহাক্কী নুপীনা ঙসি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা মপান লমদা ভেকেসন চৎনবা থৌরাংলকপদগী লাকখিবনি। পনবা য়াই চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মতম শাংনা নজিবনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লিবা বারিসান নেসিওনেল কোলিএসন লৈঙাক চাওনা মায়থিবা নংখিবনি। নজিবপু কুমজা ২০১৫দা লৈঙাক্কী ওইবা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৭০০ থৈদোকখিবগী মরাল শীদুনা লৈরিবনি। অদুবু ওথোরিটিশিংনা মহাক থৌদোক অদুদা চেন্নদে হায়দুনা ফোংদোকপসু লৈখ্রবনি।

মালেমগী ওইনা খ্বায়দগী চহী য়াম্বা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মলেসিয়াগী নৌনা খল্লবা মশাগী চহী ৯২ শুরবা মহাথির মুহম্মদনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং ফোংদোকখিবদা নজিব অনৌবা প্রমান লৈরবদি অমুক হন্না মহাক্কী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা য়াই হায়খি।

মহাথিরনা মখাতানা ফোংদোকখিবদা লৈবাক অদুগী ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবাশিং নৌনা ইনভেষ্টিগেসন চথুগনি হায়খিবনি। মলেসিয়ানা মাঙখিবা য়াম্লবা শেনফম অদু অমুক হন্না লৈবাক অদুদা হল্লকপা ঙমগনি হায়খি।

পনবা য়াই চহী ১৫গী মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওইরম্লগা পোলিটিক্সতগী পোত্থারুরবা মতুং ওপোজিসন পার্টিতা শরুক য়াদুনা নজিব রজাকপু মায়থিবা পীদুনা অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপনি। মহাথির মুহম্মদনা মীখল মমাংদা ফোংদোকখিবা থাজ-ৱারোলশিংগী মনুং চন্না মমাংগা পোলিটিকেল লুচিংবা অমা ওইরিবা হৌজিক হৌজিক্লা জেলদা লৈরিবা অনৱর ইব্রাহিমবু থাদোক্কনি হায়খিবা অদু থবক ওইনা পাঙথোরকপগী চাওনা থাজবা লৈ হায়না অনৱরগী মচানুপী নুরুল ইজানা ফোংদোকখি।

নিংশিংবা য়াই অনৱর মমাংদা মহাথিরগী দেপটি ওইনা লৈঙাক পায়বা য়াওরম্বা মীওই অমনি। মহাক করপসন অমসুং সোদোমিগা মরী লৈনবা থবক্তা চেন্নে হায়দুনা জেলদা থম্লকখিবনি।


# SARASWATI COACHING INSTITUTE

*Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal*

ADMISSION OPEN

CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE (2nd Batch)

*Starting of Class : 14th May, 2018*

CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE

*Starting of Class : 25th June, 2018*

Managing Director

*We nourish your future*

HL-B/4598/3-31 (Alt.)

# PILES TREATMENT

NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG & KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.

মায় পাক্লা লায়েংজরি



PH. ALAM

**PILES :** খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

**GASTRIC :** চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

**STONE CASE :** পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

**SINUS :** নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

**LIVER, JAUNDICE, SUGAR :** প্রোব্লেমনচিংবা লায়েংজরি।

**BODY PAIN (PARALYSIS) :** খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

MOBILE NO. 8787579776/8259968220

HL-P/1009/13/4-13/5 (alt.)

ADMISSION OPEN

# ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-B/4584/26/4-26/5

# ENLIGHTEN KNOWLEDGE (E.K.) HIGHER SECONDARY SCHOOL

SANGAKPHAM, IMPHAL EAST, MANIPUR

Producing 1st, 2nd, 3rd, 4th, 5th, 6th, 8th and 10th Position Holders in Hr. Sec. Exam. 2018

## HEARTIEST CONGRATULATION & PRIZE DISTRIBUTION

TO POSITION HOLDERS & AND ALL SUCCESSFUL STUDENTS IN HR. SEC. EXAM. 2018.

ON WEDNESDAY THE 16TH MAY, 2018 AT 10.00 A.M. SHARP IN THE SCHOOL PREMISES.



NINGTHOUJAM RADHARANI
1st POSITION
D/o N. Mohendro Singh
Lilong Chajing Chingkhong Leikai
Eng. 87, Man. 93, Pol. Sc. 86
His. 87, Sgy. 96
Subject Topper in Hist. & Sgy.



P. Saratchandra (Secretary), Kh. Binodkumar (Principal) with Nine Position Holders.



WAIKHOM THOUNGAMBA
OUR SCIENCE TOPPER
S/o W. Bisheshwor Singh
Heingang Mayai Leikai
Eng. 80, Man. 80, Phy. 86
Chm. 81, Bio. 85

NUMBER OF FIRST DIVISIONERS IN SCIENCE STREAM = 168; NUMBER OF FIRST DIVISIONERS IN ARTS STREAM = 147



TAKHELCHANGBAM SUNAINA DEVI
2ND POSITION
D/o T. Kishorchand Sharma
Keishampat Thokchom Leirak
Eng.90, Man. 90, Sgy. 96
Ggr. 85, His. 83



YENGKHOM GUNCHENBA
3RD POSITION
S/o Yengkhom Jiten
Luwangsangbam Makha Leikai
Eng. 91, Man. 90, Sgy. 95
Edn. 80, Ggr. 85



TEKCHAM JAMES SINGH
4TH POSITION
S/o T. Biramani Singh
Langmeidong Mamang Leikai
Eng. 86, Man. 90, H.Sc. 84
Ggr. 85., Sgy. 95



MOIRANGTHEM LOYANGAMBA
5TH POSITION
S/o Moirangthem Ibomcha
Yairipok Bishnunaha Mayai Leikai
Eng. 85, Man. 91, Pol. 84
His. 83, Sgy. 95



SHAINING KHASHIM
6TH POSITION
D/o Somi Khashim
Khamasom Khullen, Ukhrul
Eng. 88, Man. 95, Ggr. 86
His. 72, Eco. 94
Subject Topper in Eco.



NINGTHOUJAM PREMCHAN SINGH
8TH POSITION
S/o T. Shanti Meitei
Napet, Imphal East Dist.
Eng. 88, Man. 90, Pol. 72
Ggr. 88, Sgy. 92



TAKHELLAMBAM ORESH MEITEI
8TH POSITION
S/o T. Shanti Meitei
Ukhongshang Mamang Leikai
Eng. 81, Man. 87, Edn. 86
Ggr. 81, Sgy. 95
Subject Topper in Edn.



MOIRANGTHEM TARUNKUMAR SINGH
10TH POSITION
S/o M. Tiken Singh
Matai Awang Leikai, Imphal East
Eng. 72, Man. 88, Eco. 80
Hsc. 90, Ggr. 87

PASS PERCENTAGE OF HR. SEC. EXAM. 2018 OF E.K. HR. SEC. SCHOOL = 83.83%; PASS PERCENTAGE OF HR. SEC. EXAM. 2018 OF E.K. RESIDENTIAL COACHING = 97.2%

HL-P/5074/13